# লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা ষ্টেট লেভেল যোগসনা চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোকখ্রে




**ককচিং, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট যোগ ট্রেনিং এন্দ রিসার্স এসোসিএশন (দি ৱাই টি আর এ) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট, হেদ ওফিস ককচিংনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএশন ককচিংগা পুন্না খুৎশম্নরগা অহানবা ষ্টেট লেভেল যোগসনা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখ্রে।

অহানবা ষ্টেট লেভেল যোগসনা চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকপগী থৌরমদা মাইনোরিটি এফেয়র্স, অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট অমদি য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিন (আই এ এস)না অথোয়বা মীথুংলেন, দি ৱাই টি আর এ ককচিংগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম মঙ্গিনা থৌরম মপু অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর রোহিট অনন্দ (আই এ এস) অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস প্রিয়াদর্সিনি লাইশ্রমনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা নুমিৎতা মাষ্টর-এ মেন/ৱিমেন (চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবা) গী কাঙলুপ্তা নুপী ৩৯, নুপা ৬, মাষ্টর-বি মেন/ৱিমেন (চহী ৬০ মথক্তা)গী কাঙলুপ্তা নুপী ২৮ অমদি নুপা ৪না অথোয় অহেন তান্নখি। লোয়ননা অনীশুবা নুমিৎতা সব-জুনিয়র বোইজ/গার্লস (চহী ৮দগী ১২ ফাওবা)কী কাঙলুপ্তা নুপীমচা ১৬ অদুগা নুপামচা ১০ অমদি জুনিয়র বোইজ/গার্লস (চহী ১২দগী ১৮ ফাওবা)কী কাঙলুপ্তা নুপীমচা ৯ অমদি নুপামচা ১০না অথোয় অহেন চাংদম্লখি।

সিনিয়র বোইজ/গার্লস (চহী ১৮দগী ৩০ ফাওবা)কী কাঙলুপ্তা নুপীমচা ৩না অদুগা ভেটৰান মেন/ৱিমেন (চহী ৩০দগী ৪৫ ফাওবা) গী কাঙলুপ্তা নুপী ১৩না অথোয় অহেন চাংদম্লখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মকোক মথং তারবশিং থা অসিগী ২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগাসনা স্পোর্টস এসোসিএশনগী মরিরকশুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লাউথোক্লগনি অমদি মনাসু লাম্থোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিননা ফোঙদোকখিবদা শান্ন-খোৎনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওই। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা মশা-মঊ ফনা লৈন্নবা হোৎনবদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্লা লৈবা মথৌ তাই। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি শান্নবনি। মসিগী মথক্তা যোগা হায়রিবা মশান্না অসি য়াম্না কান্নবা অমদি মসিনা হকচাং ফনা লৈহনবতা নত্তনা পুক্নিং অমদি ৱাখলগী মপাঙ্গলসু কনখৎহনবা ঙম্মী। নহাশিংনা পুক্নিং অমদি ৱাখল মপাঙ্গল ফনা লৈরবা অমদি হকচাং ফনা লৈরবা মতমদা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা শান্নরোয়শিংনা লাইরিক তম্বা খক্তা নত্তনা শান্ন-খোৎনবগী লমদসু মীৎয়েং চঙনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

# য়ু সী সী ককচিংনা য়ু বি এস এ মান্তক অদুগা এস এফ সী সুগুনুনা এল এম এল সী সী লাংমৈদোং থোইখ্রে



**ককচিং, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ)ককচিংগী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ফর্ষ্ট দিভিজন অমদি সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা য়ু সী সীনা য়ু বি এস এ অদুগা এস এফ সীনা এল এম এল সী সী মায়থীবা পীখ্রে।

দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা চথরিবা ২১ রক শুবা কিশ্বরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচতা য়ু সী সী অমসুং য়ু বি এস এগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্লখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্লা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৬০ শুবা মিনটতা য়ু সী সীগী কে এস ঐচ রেনেদিনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ৬৩ শুবা মিনটতা য়ু সী সীগী এম দেবরাজনা মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। য়ু বি এস এগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি অদুবু ৭১ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় চুংলেনথাংনা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদু নত্তনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু য়ু সী সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা চথরিবা ২২ রক শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা এল এম এল সী সী অমসুং এস এফ সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এস এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। এস এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অদু ৬৪ অমসুং ৭১ শুবা মিনটতা ও লেম্বনা চনখিবনি।

# অনীরকশুবা এ-৩ ক্লাসিক ষ্টেট লেভেল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোকখ্রে










**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):** এ-৩ ফিটনেস খুরাই সজোর লৈকায়না শীন্দুনা খুরাই লম্লোংগী সঙ্গিৎ কালা সঙ্গমদা অনীরকশুবা এ-৩ ক্লাসিক ষ্টেট লেভেল ওপন বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিএশন (এ এম বি বি এ)গী মীৎয়েং মখাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ওগষ্ট জিমগী কৈথেল্লাকপম মালেমঙানবনা সিনিয়র মেন্সকী ওভরওল টাইটল লৌদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

সিনিয়র মেন্সকী ওইনা এল এল এস টিগী মাইবম রোবার্ট অমদি এম পি এস সীগী দব্লিয়ু কিরননা মথংশিৎনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মফম কল্লগা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা কেটাগরিশিংদা পাঙথোকখিবা মাষ্টর মেন্সকী ওইনা এম পি এস সীগী দব্লিয়ু কিরন, এন এফ সীগী এল বোইনাও অমদি এ-৩ ফিটনেসকী ইরোম রিজুনা মথংশিৎনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মফম কন্দুনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

ৱিমেন বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা ৱর্ল্ড জিমগী থোকচোম সঞ্জিতানা গোল্ড অমদি রোয়ল জিমনাজিয়মগী ফিরেনা সিলভর মেদল ফংখি। ৱিমেন্স মোদেল ফিজিককী ওইনা মসুল ফেক্টরিগী এল সোনিয়া, য়ুনাইটেদ জিমগী এল চেরিসমা অমদি মসল ফেক্টরিগী সী ঐচ প্রিন্সিনা মথংশিৎনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখ্রে।

জুনিয়র কেটাগরিগী বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা ওগষ্ট জিমগী সী ঐচ বিদ্যনন্দ, বোডি পার্ফেক্ট জিমগী এন রোহিট অমদি ফ্রেন্দ ফিটনেস জিমগী এস রোবার্টনা মথংশিৎনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

লোয়ননা মেন্স স্পোর্টস ফিজিককীদনা মসল ফেক্টরিগী এল অভিসেক, এম কে ফিটনেস সেন্টরগী ও লিবর্ট অমদি মসল ফেক্টরিগী ৱাই রোবার্টনা মথংশিৎনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা তোঙান তোঙানবা জিম ২৬তগী লাকপা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ৪৯ রোম্না কেটাগরি ৬তা অথোই অহেন তান্নখি।

# মেটচ ওফিসলশিং এপোইন্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২৯দগী হৌরগা মথং থাগী ৮ ফাওবা পাটশোই পার্ট ২দা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫ রক শুবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬কী মেটচ ওফিসলশিং এপোইন্ট তৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মেটচ কম্মিস্নর অমসুং রেফরি এসেসর ওইনা এল অজিৎকুমার মৈতে অমসুং এল নোংদ্রেনখোম্বা মৈতৈনি। রেফরিশিং ওইনা টি হেমন্তা, শৌগ্রাকপম তোম্বী, হৈরাংখোঙজম মহেশকুমার, চাগুনলুং পামৈ, শাফবা মীতৈ অবুজম, এল সন্তোস অমসুং তখেল্লম্বম দিয়া চনুনি। অদুগা এসিষ্টেন্ট রেফরিশিং ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবশিংনা এল হরিমোহোন, এন জি অনন্দ, সিসিলা অয়েকপম চনু, থৌনাওজম রঞ্জোই মৈতে অমসুং এস ওনিলনি।

হায়রিবা রেফরি অমসুং এসিষ্টেন্ট রেফরিশিং অসিনা থা অসিগী ২৪দা মেটচ কম্মিস্নর এল নোংদ্রোনখোম্বদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

# মিষ্টর কৌব্রু চীংশাং ষ্টেট লেভেল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):** ইন্দিয়ান বোডি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেল ফেদরেশন (আই বি বি এফ এফ) মণিপুর য়ুনিটনা শীন্দুনা চহী অসিগী নবেম্বর থাগী ১০ অমসুং ১১দা তাকয়েল পাৎতা লৈবা গভর্নমেন্ট পোলিটেক্নিক ওদিটোরিয়ম হোলদা অনীরকশুবা মিষ্টর কৌব্রু চীংশাং ষ্টেট লেভেল বোডিং বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী রেজিষ্ট্রেসন, অরুম্বা ওনবনচিংবনা মথং থাগী ১০গী অয়ুক পুং ৯ তাবদা পাঙথোক্কনি। অদুগা থা অদুগী ১১গী অয়ুক পুং ৯ তাবদা তোঙান তোঙানবা কেটাগরি হায়বদি জুনিয়র, সিনিয়র, মাষ্টর, ৱিমেন ফিট মোদেল ওপন, মেন্স ক্লাসিক অমদি মেন ফিজিক ওপনদা অথোই-অহেন চাংদম্নগনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিংনা নেশনল অমদি ইন্টরনেশনল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগনি। অকুপ্পা মরোল আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# টিম চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মণিপুর ক্রিকেট টিম মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):** বি সী সী আই টুর্নামেন্টকী শরুক অমা ওইনা য়ুনিয়ন টেরিটরি ক্রিকেট এসোসিএশন চান্দিগরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী হৌরগা চান্দিগরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট গ্রাউন্দ অহুমদা পাঙথোকখিবা ভিন্যু মনকদ ট্রোফি ২০২৫-২৬তা টিম চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মণিপুর ক্রিকেট টিম্বু ঙসি মীয়াম্না হরাও-তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

ইম্ফালগী ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা ঙসি থুংলখিবা টিম চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মণিপুরগী চহী ১৯ মখা নুপামচাগী টিম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংবু মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মরুওইবা থৌমিশিংগা লোয়ননা মীয়াম্না হরাও-তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখিবনি।

মণিপুর ক্রিকেট টিম অদুবু তরাম্না ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা এম এন সী এগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইরেঞ্জম গিটরঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা ভিন্যু মনকদ ট্রোফি অন্দর ১৯ মেন্স প্লেট গ্রুপতা মণিপুর ক্রিকেট টিমনা অহানবা ওইনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা অসি মণিপুরগী ক্রিকেটকী পুৱারীদা ময়েক লানা লৈহৌরগনি। মণিপুর ক্রিকেট টিম অসিবু মতম কুইনা কেম্প তৌদুনা থম্বগী মহয়না ট্রোফি অসিগী মপু ওইবা ঙম্লকখিবনি। টিম অসিবু লুচিংলিবা কোচ, মেনেজর অমদি সপোর্টিং ষ্টাফশিংনা শান্নরোয়শিংগা ফজনা লোয়নদুনা থা অমা হেন্না কেম্প তৌখিবা অদুনা ঙসি ষ্টেট অসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি।

ট্রোফি অদুদা মণিপুর টিমনা অপুনবা লিগ মেটচ ৫ শান্নখিবগী মনুংদা অরুনাচল প্রদেশ, মেঘলায়া, মিজোরাম অমদি নাগালেন্দ টিমবু মায়থীবা পীরমখিবা অদুগা ৪শুবা লিগ মেটচতা সিক্কিমগী মখুৎতা মণিপুর ৱিকেট ৮দা মায়থীবা নঙহৌখিবনি।

# এস জে সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী):** পাৎশোই পার্ট ২গী পময়াল গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা ৩০ রক শুবা এল শঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬তা সলাম জুবেনাইল ক্লব (এস জে সী) সঙাইথেল রোদনা টিম চেম্পিয়ন ওইদুনা সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগতা প্রামোসন ফংখ্রে। আই দব্লিয়ু দি এফ এনা শীন্দুনা চথুরকখিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ওইনা এস জে সীনা অপুনবা লিগ মেটচ ৬ শান্নখিবগী মনুংদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা এস কে ৱাই সীনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

# মণিপুর সেপাকটাক্রো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):** গোৱাগী মটগাওদা লৈবা মনোহর পরিকর ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৩দগী হৌরগা ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৫ রক শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স নেশনল সেপাকটাক্রো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়ারুগাদবা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী সেপাকটাক্রো টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

সেপাকটাক্রো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ১৫/১৫ পুন্না শান্নরোয় ৩০ য়াওবা টিম অদু এম এস টি এগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু জিতেন য়াওনা এসোসিএশন অসিগী মরুওইবা থৌমিশিংনা য়াইফ-থৌজাল পীরদুনা লমথাখিবনি। মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী টিম অদুদা কোচ অনী, টিম মেনেজর অনী, রেফরি অহুম অমদি এস আই এফ আইগী ওফিসল অমা য়াওরগা পুন্না মীওই ৩৮না শরুক য়ারি।

মণিপুর সেপাকটাক্রোগী নুপা অমদি নুপী টিমনা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুবা খুদিংমক্তা মায় পাক্লা অমদি মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না এম এস টি এগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু জিতেননা য়াইফ-থৌজালসু পীনখি।

# পঞ্জাব নেশনল বেঙ্ক অমদি বন্ধন বেঙ্ক মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):** আই-ফিটনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরক্লিবা বেঙ্করস কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫দা পঞ্জাব নেশনল বেঙ্ক অমদি বন্ধন বেঙ্ক মায় পাকখ্রে।

ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) ওফিসর্স গ্রুপনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা বেঙ্ককী ষ্টাফ ওইরিবশিংবু মশা-মঊ ফনা, তিঞ্জং কাইজংদনা অমদি অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৮না কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোই-অহেন তান্নরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা লিগ মেটচতা পঞ্জাব নেশনল বেঙ্ক অমদি এক্সিস বেঙ্ককী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মদুদা পঞ্জাব নেশনল বেঙ্কনা এক্সিস বেঙ্কপু রন ২৭তা মায়থীবা পীরমখিবনি। মায় পাকখ্রবা পঞ্জাব নেশনল বেঙ্ককী মিলনকুমার এলাংবমনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা লিগ মেটচ ওইনা বন্ধন বেঙ্ক অমসুং মণিপুর রুরল বেঙ্ককী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা বন্ধন বেঙ্কনা রন ৩দা মায় পাকখিবনি।




HL-B/9834/09 Oct. to 5 Nov. (Alt)



HL-B/9907/21

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1625**

**Vladimir Mikhalsky (2187) - Ivan Kukushkin (2106)**
**Freestyle Friday Chess.com (3), 2025.09.19**

1.f4 f5 2.e4 fxe4 3.Ng3 Nd6 4.Nxe4...

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1624 Solution :**

**31. ...Qxe2** *The black queen captures White's bishop, which was defending the square f3 and the square h5.* **32.Qxa8 Bh3** *The black bishop clears the way for Black's pawn to the square f5. The black bishop deflects White's pawn away from protecting the square f3.* **33.gxh3 Ng5 34.Rf2 Nxh3+** *The black knight forks White's king and rook. The black queen attacks White's rook, which is defending the square f3 and the square g2.* **35.Kg2 Qxf2+** *The black queen captures White's rook, which was defending the square f3, the square f6 and the square f5. The black queen attacks White's king, which is defending the square f3.* **36.Kxh3 Qf3+** *The black queen attacks White's king, which is defending the square g2.* **37.Kh4 g5#** *David and Goliath mate*
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com